# পেনাগী কলচর মাঙখিদনবা ইন্সটিট্যুট লিংদুনা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা পেনা শাবদা থোইদোক্লা মমিং লৈরবা *পেনা রাজেন*

*- নানি*



মতম অমদা পেনা ফমশক হায়বসি লমদম অসিদা মফম চাউনা কল্লম্মী। মণিপুরগী মপুং ফাবা, মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা শৈশক অমা ওইবতা নত্তনা কুম্মৈশিংগী মকোক থোংনা লৈরম্মী। পেনা ফমশক অমা লৈকায়দা তৌদৌরি হায়বদা লৈকায় অদুদা লৈরিবা য়ুমথোঙ খূদিংদা চাক ঙন্নরম্মী। পেনা তাবা চৎনবা মীপুম খূদিংনা নুমীৎ তাদ্রিঙৈদগী হৌনা থৌরাং লাঙদুনা লৈনরম্মী। লৈশাবী, পাখং, মৌ, অহল-লমনদগী চিংনা অঙাংশিং ফাওবনা পেনা অসি ওন্থোক্লা থৱায় য়াওনা তানরম্মী। কুমগী য়াওশং লাকপগী চাকচা হৈজান্নবদা পেনা ফমশক কৌদুনা ময়াম পুন্না পুন্না তামিন্নরম্মী। পেনা ঈশৈনা মতম অমগী নাৎ শক্তমদা মমি লাকশিনবদা অমদি ঐখোয়গী কলচরগী খোঙ্গুল লীবদা য়াম্না কান্নবা থৌদাং অমসু লৌবীরম্মী। পেনাদি লাইনা পীবনি ঐখোয়গীদমক। পেনা লৈরমদ্রবদি খুন্নাই অসিগী ফজরবা থকশি-খাশিদগী চিংলগা তাঙলবা কলচরগী ওইরবা মশক কয়া অসিসু মশীং হন্থরম্বা য়াই। মণিপুরী লিটরেচরদা অচৌবা ফিদা ফংলিবা মহাকাব্যনি হায়না শীংথানরিবা হিজম অঙাংহলগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়বা অসিসু অইবনা ওজা পেনাগী শৈশকপশিংগী মনাক্তা চৎতুনা ৱারী ৱাখোঙ কয়া তাজরুরগা ইবনি হায়বসি লাইরিক অদুগী ৱাহৌদোকমক্তদা অইবা মশানা ইদুনা থম্বীরম্মী। মণিপুরগী ফোক প্লেশিং অয়াম্বা পেনা শৈশকপা ওজাশিংদগী ৱারী লৌদুনা ইনখিবগী ৱাফমসু লৈখিদ্রবা ফোক রাইটর সরাংথেম বোরমনিনসু ময়েক শেংনা পনবীরম্মী। ফোক প্লেদা ট্রেদিসন অমা ওইনা ৱাঙাং শাঙাং অমদি হকচাংগী মুভমেন্ট কয়া শাগৎতুনা মৈতৈ প্লেগী অনৌবা এক্টিং ষ্টাইল অমা পুথোক্লবা হোৎনবদসু পেনাগী ওজাশিংগা তান্নজরগা শেমগৎখিবনি হায়বসি, লমদম অসিগী তাঙলবা ঠিএটরগী ওজা লৈখিদ্রবা নিংথৌজম তোম্বীনসু য়াম্না ময়েক শেংনা পনবীরম্মী। পেনা হায়বসে ঐখোয়গী খুন্নাই অসি শেমগৎলকপদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওই হায়বসি পুম্নমক্লা য়ানরিবনি। অদুনবু "ইপোম" হায়বা ফাগীদা য়ুম্ফম ওইবা লীলা অদুদফাওবা নীংশিং খুদোল ওইনা থম্বীরম্মীবনি। পেনা তাবসি মচা ফাওবা খূনিংনা থিল্লি হায়না হায়বীরম্মীবদুনি। ইপোমগী ওজাশিং অদুনা ফাগী ওইনা হায়রম্লবসু মদু মতম অদুগী চপ চাবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙম্বা ফাগীগী মশক অমনি। পেনাগী সুর খোম্থোক, শৈশক্লা লাই হৌদোক্লিবনি, লাই শুম্লিবনি। লাই হরাওবদা পেনা য়াওদবা শুংয়া য়াদে। নিংথৌগী সনা কোনুংদা পেনা য়াকাইরোল শক্তুনা অমদি লাইগী ওইবা থৌরম খূদিংদা পেনা য়াওদবা লৈতে। নিংথৌনা মফম অমদগী মফম অমদা লমশাং চৎলকপা মতমদা পেনা শৈশকপা য়াওনরম্মী। ইশম শম্না ঐখোয়গীদি পেনা হায়বসে হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা লৈরিবা থবক থৌরম খূদিংদা পেনাগী চন্নফম লৈরম্মী।

অসুক লুরবা অমদি ঐখোয়গী আইদেন্টিটিগী মশক পুরিবা পেনা অসি ঙসিদি খরা ময়েং তারক্লে। লাইগী ওইবা থৌরমদা শীজিন্নবা নত্তনা ফমশক মাঙখ্রে। হৌজিক ফমশক শকপা ঙম্বা ওজা অহল খরখক্তমক ঙাইশিল্লক্লে। হৌরক্লিবা নহাশিং মসিগী মফম কন্নবা কন্না হোৎনবদি উবা ফংলি। পেনা শকপনা শিনফম ওইবদা হিংবা ঙম্লক্তবা কয়া অসিনসু পেনা অসি মরক অমা তম্বগী চাং অসি য়াম্না হন্থখিবনি। হৌজিক্তি মায়কৈ খরদা পেনাগী ওজাশিংনা ময়ুমদা নহাশিং কৌশিন্দুনা পেনা তম্বীবগী থবকশিং লৌখৎনবগী পাউ তারি। মসিগী মনুংদা লমশাং হৈবোংপোকপী, উরিপোক-কাংচুপ রোদতা লৈরিবা মুতুম রাজেন মৈতৈ ময়াম্না পেনা রাজেন হায়না খঙনবা অসিসু অমনি।

পেনা রাজেন হায়না মাবু খঙনখিবগী মরমদি, মহাক পেনা শকপা, পেনাগী থৌরমশিং নীংথিজনা হৈবগী মথক্তা পেনা শাবদা থোইদোক্লা কা হেন্না মমিং চৎলি। রাজেনগুম্বনা পেনা শাবীদ্রবদি, পেনা শকপা অহল-লমনসু অসুম লোইশিল্লক, পেনাসু লৈরক্তা তৌরবদি করম্না পেনাগী কলচর অসি পাম্মী হায়দুনসু হিংগনি। পেনা শাবা অরায়বা অমা নত্তে। রাজেন



ময়ুমদা পেনা নীংথিজনা মচাশিংগা লোয়ননা শারি। মণিপুরদা অনৌবা হৌরক্লিবা নহাশিংনা পায়নরিবা পেনাশিং মহাক্লা শাবা পেনানা মপুং ওইনা শীজিন্নবগী পাউ ফংলি। মপানদা লৈবা মীওইশিংনা পেনাবু নুংশিজদুনা দেকোরেসন ওইনা ময়ুমদা থম্নবগীদমক পেনা অমত্তা লৈগে হায়বদা কৈথেলদা থিবা ফংদে। পেনা শকপশিংদা পাউ হংনবদা পেনা রাজেনদা হংলবদি লৈগনি হায়দুনা থিরকপদা মঙোন্দগী লৌখিবা পেনা অসি মশীং অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। ইন্দিয়াগী মফমদতা নত্তনা, মপানগী লৈবাক কয়াদসু রাজেনদগী পেনা লৈদুনা পুনখিবা কয়া লৈখ্রে। অপোকপগী মিংনা মুতুম নিংথেমজাও অদুগা অপোকপীগী মিংনা মুতুম ওংবী শখি লৈমা কৌই। রাজেন দি এম কোলেজদগী এদ্যুকেসনদা গ্রেজ্যুএসন লোইখ্রে। লোয়ননা পেন্টিংসু য়াম্না থৱায় য়াওনা মণিপুর আর্ট কোলেজ, ইম্ফালদগী তমজরকই। কুমজা ১৯৮৮দা কাচিখুলদগী বিনো লৈমগা য়ুম্বানমিন্নদুনা মচানুপী অমা অদুগা মচানুপা অনিগা লৈরে।

মহাক্লা মণিপুরদা পেনা শাদুনা কন্না হোৎনরিবা অমদি পেনাগী কলচরবু য়োকখৎনবা মাঙখিদনবা পুকচেল শেংনা হোৎনবা অসিদা সাউথ এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসননা ইং ২০১৭গী ওক্টোবর ২১দা কেস এৱার্দ অমদি সর্টিফিকেট পীদুনা ঈকায় খুম্নবীখ্রে। হৌজিক্লা মশাগী ওইনা লিংখৎচবা ফোক ইনসেম্বল মণিপুর (এফ ঈ এম) হায়বা পেনাতগী ওইবা ইন্সটিট্যুট অমা কনাগীসু মতেং য়াওদনা লিংজদুনা লমদম অসিগী পেনাবু থৱায় য়াওজবা নহা নুপামচা, নুপীমচা কয়া অমা শেমগৎ শাগৎলি। অরাপ অরাপ্পা মফম কয়াদগী মহাক্কী ময়ুম তান্না লাক্তুনা মহৈরোয়শিংনা পেনা শৈশক অসি তম্লরি। হৌজিক মহাক্কী ইন্সটিট্যুট অসিদা পুন্না মহৈরোয় ৫০ মুক্লা পেনা তম্লি। লোয়ননা মরু ওইবা কলচরগী থৌরম কয়াদা মায় পাক্লা মহাক্কী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা পেনাগী থৌরম পাঙথোক্লি। অতোপ্পা শিনফম অমত্তা পায়দনা পেনা শাবা অমদি পেনা শকপা তম্বীবা অসিনা মপুং ওইবা শিনফম ওইদুনা মীরক তীন্নবা ৱানা হোৎনজরি। লুরিবদি, ঐখোয়গী কলচরবু মাঙখিদনবা য়োকখৎনবা কন্না হোৎনরি হায়না লাউ খোংলিবা মরী লৈনবশিংনা অসিগুম্লবা লন্নাইগী ওইনা লিংলিবা ইন্সটিট্যুট অসিদা মীৎয়েং অমা ফাওবা চঙবীদ্রি। অসিগুম্বা কয়া অসিদসু মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা হেন্না চাওখৎনবা করিগুম্বা অখন্নবা থৌরাং খরদি পায়খৎহন্নিংই।

মতম খরা পেনাগী খোঙচৎ অসি তপথরকপদৌনা তৌরম্লবসু ঙসিদি অনৌবা নহাশিংনা খরা মায় ওনশিল্লক্তুনা, পাম্না তম্নবা মতম অমদি ওইরক্লে খল্লি। নুপামচাদা নত্তনা নুপীমচা কয়া অমনা পেনা অসি য়াম্না পাম্না তম্নরক্লি। মসিমক ঐখোয়গী লাইবক য়াম্না ফবনি হায়না লৌবা য়াই। হায়রিবা তাল্লক অসিদা পেনাগী থৌরমশিং খরা তোয়না শীনবীবা, য়ুম-য়ুমগী থৌদোক থোকপা মতমদা, য়াম্না কা হেন্না চাউবা থৌরম ওইনা শীন্দ্রবসু পেনাগী ঈশৈ শৈহেক্তা য়াওরিবা ঐখোয়গী শক্তমগা শাগোন্নরক্লবা কয়াশিং অসি নৌহৌননা হৌরক্লিবা নহাশিংদা খঙহনবা, মখোয়দা অনৌবা য়েন্নিং অমা চোংহন্দুনা পেনাগী ফজবা লোয়ননা পেনানা খুন্নাই অসিদা লৌরক্লিবা থৌদাং কয়াশিং অসি মরিক চুম্না খঙহন্নবা হোৎনবা চুম্মী। লুরিবদি পেনাগী শৈশকপা তাঙশিল্লক্লে হায়না পংহাইদা হায়নরবসু ময়ুম য়ুমদা নৎত্রগা লৈকায়দা, অতৈ থৌরম পরেংশিংদা পেনা শৈশকপশিং অসিগী হিংনজনবগী থৌদাং অদু শীন্নদবা তারবদি হৌজিক্কী মতম অসিদা থৱায় ফনা য়াম্না য়াওরবসু শোয়দনা মহাক্কী মায়কৈ অমা হোংখিবা হায়বসি মশানা তাবনি হায়বসি পেনা রাজেনগা উনদুনা ৱারী ৱাতাই ঙাইহাক শানজরুবদা পনবীরকই। পেনা য়োকখৎপা হায়বসি, ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। মসিদি পেনা শক্লিবা খক্তদা তাইনবীফম থোক্তে হায়বসিসু ৱাখলদা খল্লকই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।০৮।২০২২ ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ২.৪৬ ফাওবা লাংবনগী নোংমা পাল্লি মতুংদি ২নি পাল্লনি।

**মেষ:** নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবদা চাওনা মায় পাকচবা, ইমুং-মনুং পুকচেল তীন্নবা নুংঙাইবা নুমিৎনি। হন্থবা মীনদি য়েংথিবা, নীংবা মপা চাদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** মীয়াম্না পাম্নবা, হকচাংসু নুংঙাইজবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্লসু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। অনম তান্নবদা মরুপ মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি-ঈংথবনা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**মিথুন:** নীংবা থুংবা, লন চাওখৎপগী নুংঙাইবা, অফবা মীংচৎ ফংজবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগী মতেং পাম্লদি লৌবা য়াগনি। পাঙনিংবা থবক্তদি ফিংবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** খাঙবা কনবা অমদি থিজিনবা কনবা হৈরদি অমাঙবা অমত্তা লৈরোই। লান্দবনা অঙম্বনা চানবীগনি অমদি নক্লবগী মতেং লৌবা থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাঙনবনা মাঙজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** লাইবক য়াম্না ফবা, ওইজ-ওইথকসু ফংবা, চাদিং হন্থহনবা ঙম্বা নুমিৎনি। মীকোক থোংবা ৱাবগী কোক নুংঙাইতবা অমদি হুরানবনা মাঙহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** অফবা মফম অমদি লন ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। থৌনা ফুদোক্লা থৌপাঙবা অশিংবা তাগনি। নাপল অমদি হেন্না আশা চাওরুবনা কায়নবা নংবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নোল্লুক্লা চৎপনা মফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** নীংবা মপা চাবা অমদি ৱাখল খরদং থাদবনা অচৌবা কান্নবা শোয়দনা লাক্কদবা নুমিৎনি। অশাওবা/লাঙতক্লবা অমদি ফিংবদং ফাথৌ -অতৈদি অরায়বনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** নথক থোংবগী মতেংনা অনীংবা অফবা থবক লায়না পাঙগনি অমদি অরাপ্পদা লৈবা মীগী মতেং পাম্লদি লৌবা য়াগনি। য়েৎনবদসু শোয়দনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**ধনু:** নীংবা মপা ইচা চাদবা অমদি হোয়া ফবা অমদি অনম তানবনা হেন্নদুম মীপায়বা য়াবা নুমিৎনি। লন অমদি মীয়ামগী মতেংদি খরা খরা ফংবা হেল্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**মকর:** য়াম্না হৈ-শিংনা চৎকদবা নুমিৎনি। মীচঙ ইরৈ লৈতে অমদি ৱাঙাং খুদিং শোয়বা য়াবা লৈ-খন্থদনা ঙাঙগনু। অখঙ অহৈশিংনা হায়খিবা ৱাশিংনা উপায় ওইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**কুম্ভ:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। য়েৎনবা অমদি খাঙবা কন্দবনা মাঙবা খরদি লৈরসু লান্দবনা লন চাওখৎপা অমদি পন্দুনা লৈখিবা লন ফংজবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** ঙসিসু লাইবক থোইনা ফবা, নচা-ননাই চাওখৎপা, মীচঙ লৈবা, অনৌবা আশা লাকপা, মীয়াম লোয়নবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## তাঙবী গুরুময়ুমগী *পীরাং* ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): তাঙবী গুরুময়ুম ফিল্ম ৱর্ল্ডগী ১১শুবা প্রদক্সনগী মখাদা আর বি নিঙোম্বনা পুথোকপা সোর্ট ফিল্ম *পীরাং* হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অসিগী য়াইফ থৌনি থৌরম অমা ৱাবগাইদা লৈবা আর বি নিঙোম্বগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

সোর্ট ফিল্ম পীরাং হায়রিবা অসিদা মরুওইনা থৌদাং লৌরিবা আর্টিষ্ট অদুদি দিরেক্টর, প্রদ্যুসর অমদি স্ক্রিন রাইটরনা আর বি নিঙোম্বনা ওইরি। অদুগা সিনেমাটোগ্রাফিদনা উমাকান্ত য়ুম্নাম অমদি জয়ন্তনি। লোয়ননা মেক অপতনা তাঙবী গুরুময়ুম অমদি সোফিয়ানি। ফিল্ম অসিদা শরুক য়ারিবা আর্টিষ্টশিংনা নিরস শর্ম্মা, বুধবালা, লিন্দা, এ কে নোং, শর্দা, মালেম থোইবী অমদি মঞ্জুরিনা মরুওইবা শক্তম লাঙগনি হায়রি।

## হার, মৱ্ধ-মরাং অমদি উ চারাশিং লৌমীশিংদা লেম্না য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): লাংবন হৈশোই তম্বগা মরী লৈননা মহারাজ মোংজাম্বা মল্টিপর্পজ লাইভষ্টোক কম এগ্রিকলচর এন্দ সোসল ফোরেষ্ট্রি কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট মুতুম গৌরোনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনগী মতুংইন্না সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট এম দিনেশ্বরনা লুচিংদুনা লেপ্তুনা চত্থরকপা থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি সোসাইটি অসিগী মোংশাঙ্গৈ মখা লৈকায়দা লৈবা হেদ ওফিসতা লৌমী-শিন্মীশিংদা য়ুরিয়া হার, মৱ্ধ-মরাংশিং অমদি উ চারানচিংবা লেম্না য়েন্থোকখ্রে হায়না সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট এম দিনেশ্বরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট এম দিনেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, সোসাইটি অসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট মুতুম গৌরোনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং অমদি তুংগী মীরোলগীদমক খনবীরম্বশিংবু সোসাইটি অসিগী মীওইশিংগা লোয়ননা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা চৎতুনা উ থাবা অমদি মৱ্ধ-মরাংশিং লেম্না য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। ঙসিসু ৱানরবা লৌমীশিংগী য়েংলগা লাংবন হৈশোই তম্বগা মরী লৈননা য়ুরিয়া হার, মৱ্ধ-মরাংশিং অমদি উ চারাশিং লেম্না য়েন্থোকপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, লৌমীশিংনা নোংজু-নুংশা, অৱা-অনা থিদনা উজরিবা লৌফমশিং অসি হার ৱাৎলবদি ফৌথোক-চাথোক ৱাৎকদৌরিবনি। অফবা মৱ্ধ-মরাংশিং লৌমীশিংদা মতম চানা পীদুনা হেন্না চাথোক লৈনা পুথোক্তুনা চাবা ৱাৎতবা ইরমদম ওইনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মালেমগী মীপুম খূদিংদা কান্নবা পীনবা উ থাদুনা নোংজু-নুংশা, অঙৈং-অশাগী খল কায়দনবগী পান্দমদসু থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সোসাইটি অসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট মুতুম গৌরোনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিংবু মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়রি।



Title : Scenery
By : Laishram Hayden
Class : II Sec : C Roll No. : 7
School : Pitambara English School




Title : He Gerly
By : Akhongbam Yohenba
Class : I Roll No. : 50
School : Blossom School



Title : Girl
By : Hastina Thongram
Class : Pre-Nursery Roll : 59
School : Angel Kids



Title : Girl In Rain
By : Y. Lanchenbi Devi
Class : V Sec : X Roll : 4
School : Galaxy High School




Title : Save Environment
By : Nganthoi Loitongbam
Class : V Sec : B Roll No. : 18
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : House
By : Piyaiba Wahengbam
Class : Pre-Nursery
School : Malom Tulihal Primary Scholl



Title : Ice-Cream
By : Punsiba Thokchom
Class : II Roll : 27
School : Bromising School



Title : Rsose
By : Raj Kumar Arjun Sana
Class : IV Sec: A Roll : 26
School : Bethany School, Guwahati



Title : Rainbow
By : RK Leishilembi
Sec: I Roll No. 41
School : Global School Imphal



Title :
By : Th. Ronika
Class : V Sec: Lotus Roll : 45
School : SL Arena Of Learning



Title : India Flag
By : Yumkhaibam Sundraj
Class : III Roll : 24
School : S.V. Getwell School, Haotal Pangei




Title : Cats
By : N. Tessica
Class : VI Sec : A Roll : 22
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : S. Lamnganba
Class : V Roll : 56
School : Maheilen Education Center



Title : Scenery
By : Samuel
Class : II Roll : 40
School : Maheilen Education Center



Title : Mountain
By : Tomthinnganbi
Class: VI Sec : A Roll : 16
School : Maheilen Education Center



Title : Flag
By : Salainganba Moirangthem
Class : I Sec : C Roll : 66
School : St. Joseph Higher Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।